# কংলৈপাক কলহৌদবা য়াদবনি

— কর্নেল ঐচ সরত (রিটাইয়র্দ) —
(তুংগী মীরোলশিংগীদমক কখোকচবা)

মীচম মীয়াম ঐখোয়সি শেলনা মী লৈথোক-লৈশিন তৌবা, দ্রগ লল্লোনবা, গঞ্জাগী করবারদা লাইচুবা, হুরাল্লগা তানবা মী মানবশিংগী মখাদা হিংই খল্লগদি পুমলান লানগনি। করেক্টর য়াওদ্রবা মীদবু কনানা ইকায়খুন্নবগে? হৌজিক ইলেক্সনদা মায় পাকহৌদবা কয়া অমা পুন্সিসি নুংঙাইনা হিংলি। কংলৈপাক্তা পোল্লকপা মীচম মীয়ামসি খ্বাইদগী লাইবক থীরবা মীশিংনি। লমদম অসিগী পুৰারী অসি চপ চাবা চহী কয়া শুরবনো খঙদে। মীওই খরনা চহী ২০০০ হেল্লে হায়, খরা অমনা চহী ৫০০০ হেল্লেসু হায়খি। অদুবু মীচম মীয়াম ঐখোয়দি (ইজরিবসিগী ৰাখলদা) চহী ৫০/৬০দগী হেন্না নুংঙাইনা হিংখিবগী ৰারী লৈতে। নিংথৌশিংনা পানঙৈদসু নিংথৌদুনা তৌনীংবতা তৌখি। মীচম মীয়াম হায়নীংঙাই লৈতনা ৰাখি। ইন্দিয়ানা নমদুনা লৌশিনখিবদগী হৌজিক হৌজিকমকসু ঐখোয়সি কাং-খোং চাইরগা পুন্সি হিংলি। ওন্থোকপা মপোক্নি।

বৃটিশনা চহী ৫৬ (১৮৯১-১৯৪৭) খক পাল্লম্বা মতমসিদা মীয়ামগী খ্বাইদগী নুংঙাইবা মতমনি হায়নৈ। মালেমগী মপুদা থম্মোয় শোক্লা অমসুং শেংনা খুরুমজরি মদুদি মপোক-মপোক খুদিংদা লমদম অসিদা ককচেং ফাওবা ওইনা পোকপীদবা হায়না। থম্মোয় শেংনা অমুক্তা হায়বীয়ু- মফম অসিদা অফবা হীরম করি করি লৈরিবগে? ঐখোয় পূম্নমক্কী পুন্সি মহিংসি করম্বা মখলগীনো? লমদম অসিদা পোকপা মীওইশিংনা মালেমগী ওইবা এৱার্দ - নোবেল প্রাইজ, Magsaysay Award (Asia গী নোবেল প্রাইজ), ৱর্ল্ড বেষ্ট টিচর এৱার্দ (এৱার্দ অসিদি লুপা ক্রোর ৬ হেল্লি) নচিংবা করম্বা মতমদা ফংলকখিগনি?

হৌজিক ঐখোয় পূম্নমক্লা হিংলিবা পুন্সি মহিংসিদি শা-ঙা ফাওবনা হিংনীংদ্রবা পুন্সিনি। টিয়র গ্যাস খ্বাইদগী হেন্না কাপ্পা লৈবাক ওইরমগনি, ঐখোয়গী সনা লৈবাক হায়বা, সনা মচুতা ঙাইরবা লমদম অসিনা। থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতে হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি। মতিক চাদবা মীশিংনা লৈবাক ঙাল্লগা করি ওইরক্কনি হায়বসি ঙসি ফাওবদা মীচম মীয়াম পূম্নমক্লা খন্থবা ঙমদ্রি। ইলেক্সনগী মতমদা মীয়ামদা লুপা লিশীং ১০ য়েনখিবা মীওইদু করম্বা মখলগী জীবনো হায়বদু খন্থবা ঙমদবা মীওই য়াম্না য়াওরি। অসুম্না মীচম মীয়াম্না অফবা মীওইশিং খনবা ঙমদ্রিফাওবা কংলৈপাক ৰাখিগনি। অদুগা কাইনথংদদি মণিপুর অসি মূত্থরগনি। মীতৈ মূত্খিবদা কনানসু নুংঙাইতবা তৌরোই। তাইবঙ মীওইবদি মানা মানা তৌজরুবদুগী মহয় ময়েক শেংনা ফংজবনি। ফনা হৈ শীংদুনা অশিবগী খয়াৎতগী কনাসু নাম্থোকপা য়ারোই।

মীচম মীয়াম ঐখোয়সি পোলিটিকেল পার্টিশিং ওইরিবা কোংগ্রেস নৎত্রগা বি জে পিগী শান্নপোৎ, লাইফদিবীসু নত্তে। মীচম মীয়াম্বু ঙাইহাক লৈতনা ৰাহনবগী মরমসি করি করিনো খন্থবীয়ু? ঐখোয়নসু ঐখোয়গী নুংঙাইনবা লম্বেল শেমগদৌবনি। মশা মশাগীদমক খনবা ফম্নাইবশিংদগী ঐখোয়না করিসু অফবা ফল ফংলক্কনি খল্লোইদবনি।

হন্দক ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টদা (প্রাইম মিনিষ্টরশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী মীনম্বা ঙাঙবা) প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা কোংগ্রেস পোলিটিকেল পার্টিবু শিধরিবনি হায়দুনা মণিপুর ষ্টেটপু লৈখা তানা শিধখি। পার্লিয়ামেন্টকী সেসন অদু মীদিয়া চেনেলশিংদা য়েংবা ফংবীগনি। মহাক্লা দ্রামাটাইজ তৌখিবা ৰারোল খরদু য়াম্না শম্না ইজরি।

মহাক্লা পাউদমখি, মণিপুরদা থবক খুদিংমক অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসনগী মতুংইন্না পাঙথোকই। ওফিসরশিংদা M.K. Gandhi গী ফোটো থেৎহন্দে। আই এন এগী কমপ্লেক্সতা লৈরিবা নেটাজি সুভাসচন্দ্র বোসকী মীতমদা বোম লংশিনখি হায়। নেসনল এস্থেম স্কুলশিংদা শক্তে। লাইব্রেরি মৈ থাদোকখি। মন্দিরগী কাংশি নুংথিল পুং ৪দা লোইশিলহল্লি। ইস্কোনগী শ্বামি দামুদর হাৎখি। আই এ এস, আই পি এসনচিংবগী সেলরিদগী দোনেসন তৌরগা য়ু জিদা পীহল্লি। প্রাইম মিনিষ্টরনা কোংগ্রেস পার্টিবু হুন্দুনা ইন্দিয়াগী এম পিশিংগী মমাঙদা মণিপুর-মণিপুর-মণিপুর হায়না ঙাঙখিবদু থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতে। মরমদি মণিপুর অসি মতিক মগুণ লৈবা, লাইরিক হৈবা চীফ মিনিষ্টর অনী ফাওবা শুদ্রিবা অসিনি। নোর্থ ইষ্টকী এম পিশিং ফাওবা য়াম্না ইকায়নীংঙাই ওইরি। হৌজিক্কী ৰাফমদদি সেকেন্দ খরগী ফাওবা মহাক খন্দে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খিবা ৰাফম 'বি জে পিনে কোংগ্রেসকা পন্দ্র সাল কা কাম, হম পন্দ্র মহিনে মৈ করেংগে। ইম্ফাল-জিরি রোদ হৱাই জহাজ কী তরহ, এয়রপোর্টকা রনৱে কে তরহ বনায়েংগে।' মচিন থীদুনা পংঙাঙ ঙাঙলম্বদুগী ফল ঙসি করি ওইরে মণিপুরদা? জুন ১৮ অপরাইজিং অমসুং



Mrs Mahua Moitra

হৌজিক মণিপুরদা মীয়াম্না ৰারিবসিগী মরমদা মহাক সেকেন্দ অমা ফাওবা খন্থবা নত্তে। মহাক হৌজিক্কী মতমগী রাবননি।

মীওইবগী পুন্সিদা মতু-মচা লৈমিন্নদবা, মচা মমিৎতা উদবশিংনা মীওইবগী মীনুংশি ৰাৎপা তাবনি। মসি মপুগী খূৎশেম্নি। কোংগ্রেস পার্টি ফৈ নৎত্রগা ফত্তে হায়বসিদি M.K. Gandhi না হিংলিঙৈদা হায়রমখ্রবনি। ইন্দিয়ানা নীংতম্বা হেক ফংবগা কোংগ্রেস পার্টি মূত্থৎলু হায়না M.K. Gandhi না হায়রমখি। ইন্দিয়াদা পুন্নবা হোৎনখিবা হৈ-শিংবা মণিপুরগী অহলশিং অদুগী মমিং মথাশিং অদু ইম্ফাল বজারদা নূঙনা হল্লগা ইরগা থমগদৌবনি। ঙসি মণিপুরদা লমচৎ-শাজৎ য়াওদবা, মণিপুরবু মাঙনবা শিল্লম্বা মীশিংগী মমিংশিং, মীতমশিং মূত্থৎলসি।

মালেমগী অফবা পূম্নমক্কী লোইফম ওইরিবা মফমসিদা কোংগ্রেস নত্তবা পার্টিনা পাল্লগা করি অফবা-অহেনবা থবক উরিবগে? সিৱেজ প্রোজেক্ট মচি লেংদ্রি, থক্লবা ঈশিং মরাং কায়না ফংদ্রি, মৈ ঙাইহাক লৈতনা মুৎলি, লম্বী-সড়ক অমত্তা চৎপদা নুংঙাইতে, করপসনগী লেভেলদি অদুক্কী মতিক ৰাংখ্রে। ওক্তবা-ওক্তবীগী চাংসি য়াম্না ৰাংলক্লি। মীচম মীয়ামসি খম থেংনা ৰারি। ৰাখল খল্লি, করম্বা পাপ তৌরুবনা লমদম অসিদা পোল্লম্বনো হায়দুনা?!!

ঐখোয় মীওইবসি অতোপ্পা প্লানেট অমসুং থাদা য়ৌবা ঙল্লে। অদুবু মালেমসিদা ঐখোয় মশেল করম্না হিংগদৌবনো অমসুং ঐখোয়গী ইথৌনা করি করিনো হায়বসি খন্থবা ঙমদ্রি। ঙাদৌনা ঈশিংদা ইরোইরগা চৎপা ঙল্লে। অতিয়াদসু ঐখোয়না পাইবা ঙল্লে। অদুগা ঐখোয় মশেলদি করম্না লৈমিন্নগনি, হিংমিন্নগনি হায়বসি খঙদ্রি। ঐখোয় মীওইবগী ৰাখল অমসুং থবকসি য়াম্না ঙক্লিংঙাই ওইদবরা? তাইবঙ মীওইবনা চহী খরখক হিংবসিদা অসুক য়াম্না ফৎত্রিবসি করি মরমগীনো? মমিৎ তাংবনদি অতোপ্পদা অকায়বা অমত্তা পীদে। মপূং মরৈ ফারবা মীশিংনা অসুক য়াম্না তমথীরিবসি করিগীনো? মহৈ তল্লিবসি ফত্তবা লৌশিং হেনগৎনবরা? ফত্তবা, মপূং ফাদবা মী, উহৈ পান্বী হায়বসিদি মতোমতা অদুম মপুন্সি লোইজবনি। মসিদি মতম্না অদুমক পুরকপা ঙাক্তনি।

ৰাখল খন্থবা ৰাৎপা প্রাইম মিনিষ্টরনা পার্লিয়ামেন্ট অসি অঙাং মচাগী ক্লাস রুম ওইনা ওন্থোকখ্রে। মণিপুরগী ৰাফমশিং অদু ইন্দিয়াগী নেসনল পার্টি কোংগ্রেসনা থোকহনখিবনি। মণিপুরগী রিজনেল পার্টিগী মতমদা থোকখিবা অমত্তা নত্তে। মখোয় মশেলগী লানফমদা মণিপুর ইমাগী মায়থোঙ লাংশিনখিবনি। কোংগ্রেস পার্টি অসি করপসন পার্টিনি। ৰাফমসিদা চয়েৎনবা অমত্তা লৈতে। ৰাফমসি ময়েক শেংনা পার্লিয়ামেন্টতা এক্সপ্লেন তৌগনি করিগুম্বা ঐনা তাঞ্জা ফংলবদি। মীতৈ হায়বা ফূরুপসি ইন্দিয়নশিংগা পুমখেন খেন্নৈ হায়বসি মমিৎতা, মনাকোংদা শেগাইরগা তাহনগে। মীঙোন্দা ৱা ঙাঙবদা খুদোম্বী অশাংবদু থিল্লগা, উৎলগা ৱা ঙাঙবা হৌনদে। মসিদি চাওখৎপা ৰাৎপা মীশিংগী খুদমনি। ৱর্ল্ড লিদর অমত্তা খুদোম্বী থিল্লগা ৱা ঙাঙদবনি। অফবা মীগী শাজৎ নত্তে।

তুংগী মীরোলশিংনা ৰাহৌগদৌবা ৰারেপশিং খুদম ওইনা পঞ্জরবদা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ) কুকি মিলিটেন্টশিংবু মণিপুরগী মীওই অমত্তা খঙহল্লমদনা ন্যু দেল্লীদা মফম মরাং খঙদনা লোন্না খূৎয়েক পীহল্লমখি। লমদম অসিদা পোকপা অশেংবা ঈগী মচানা খূৎয়েক পীখিদে। লমচৎ-শাজৎ য়াওদবা, হঙ্গোইনীংঙাই ওইবা ময়াং মচা সেদ্যুল্ড কাষ্টকী কোটাদগী আই এ এস পাস তৌরকখিবা অমনা খূৎয়েক পীখি। ঐগী কলমদগী অসিগুম্বা শাগুম্বা মীদুগী মমিং ইরোই। মহাক্লা মণিপুর থাদোকখিবদা মীতৈ নুপী মরি পুরগা চৎখি। মচানুপীগা চহী লেঙ্গা ওইগদবা নুপীবু মহাক্কী লোয়নবী ওইখিবা মীওইনি। মণিপুরদা লাক্লিবা ওফিসরশিংসি ক্রু জেন্টলমেন অমত্তা নত্তে। লো মেরিটকী কেদর ঙাক্তনি হায়বা য়াই। খূৎয়েক পীখিবা আই এ এস ওফিসর অদুসু কুকি নুপী লৌখি।

কবো ভেল্লিবু বর্মিজদা পীথোকখিবদু ইংলিস মচাননি। ঐখোয়গী লম্বু মীতোপ্পা পীথোকপা য়াবা নত্তে। ঐখোয়গী ইথৌ অহলশিং লৈরিবসিদা হায়জরগা কবো ভেল্লি অমুক হন্না ঐখোয়না য়েংশিনজরগে হায়বা য়াই। জৱাহরলাল নেহরুনা মীতৈগী ৰাহৈ অমত্তা হংলমদনা, তাক্লমদনা U. Nu (বর্জিম প্রাইম মিনিষ্টর) দা পীথোকখিবদা মতম অদুগী অশিন অরাং তৌবা হৈশিংবশিংদু করি তৌরগা লৈহৌবগে? মীতৈগী লম্বু ময়াং মচানা হেক্তা পীথোকপা য়াবরা? মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা অশোয়বা ময়াম অমা লোন্না পাঙথোক্লবগী ফলনি ঙসি মীচম মীয়াম্না লাউ খোংলিবা ময়ামসি। ঐখোয়গী অহল লমনসু তুংগী মীরোলগী থোইনা খনবীরমদে। অশোয়বা পূম্নমকসি মীয়ামগা তানরগা শেমদোকপা য়াবা ঙাক্তনি। ঐখোয় পূম্নমক্লা শেমখিবা লো ঙাক্তনি। ঙসি ঐখোয়না থুগাইজরিবা অসিসু। ইন্দিয়াদা হৌজিক লো লৈতে।

কুকি মিলিটেন্টশিংদি ওগষ্ট ১, ২০০৫দগী সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন খূৎয়েক পীখিবা নুমিৎতগী চীংগী এরিয়াদা মনীং মখা তম্না নোংমৈ পায়রগা চৎলি। কনানসু চ্যেক তৌখিদ্রি ঙসি ফাওবদা। মীয়ামদা মীনম্বা ঙাঙবসি অফবা লৈঙাক্কী খুদম নত্তে। মে ৩, ২০২৩দগী ঙসি ফাওবদা মীয়াম্বু কনানা ঙাকখি অমসুং ঙাক্লি হায়বসি মীপূম খুদিংমক খঙনরবা ঙাক্তনি। অদুনা ঐহাক্লা থা ৩ লোমগী মমাঙদা ইজখিবা 'নোংমৈগী বেরেল অসিনা চীংলোমদা ওল্লিবা মখৈদি ফৈ। করিগুম্বা বেরেল অসিনা তম্পাক্তা, ঐখোয় মশেল ওনশিন্নবা তারগদি লাইবক থীবা থৌদোক-ৰাথোক, থোকহন্নীংদবা-মতম মাঙহনবা ৰারেম কয়া লাকপা য়াই' হায়জখি। ঐখোয় মশেল পূন্না কংলৈপাক কন্দবা য়াদবনি।

হৌজিক ইমা লৈবাক কংলৈপাক কন্দবা য়াদে। লিংজেল মান্নদবা য়াদে। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা করিগুম্বা মখল অমত্তগী মত মান্নদবা, শাওনবা, মূক্লবা, খৎনবা-চৈনবগী মতম নত্তে। মতম মাঙহনবা য়াবা নত্তে। ঐখোয় পুল্লপ্পা তুংগী মীরোলগীদমক অঙম্বা থাক্তা হোৎনরগা য়াইফগদবা খুন্নাই অমা শেম্লসি। ইশা-ইশাগী ইথৌসি কংলৈপাক কনবনি। অতোপ্পা ইথৌ অমত্তা লৈতে, কংলৈপাক কনসি।

ওগষ্ট ১০, ২০২৩দা Mrs Mahua Moitra না পার্লিয়ামেন্টতা য়াম্না ময়েক শেংনা লাউখ্রে। মহাকপু ঐখোয় খুদিংমক্লা থম্মোয়দগী থাগৎচরি। মহাক্লুম্বা ইচং থৌবী নুপীদি ইন্দিয়াদা অতাঙবনি। বি জে পি লৈঙাক অসিনা ইথনিক কাঙলূপ অনীসি সিভিল ৱারগী মওংদা হাৎতোক্লহল্লি। থা ৩গী মনুংদা এফ আই আরগী মশীং ৬৫০০ ওইরি। য়ূম লিশীং মরিসু থা ৩গী মনুংদা মৈ থাদোকখি। অদুগা লায়রবা মীওই ৬০,০০০ হেন্না ময়ূম থাদোল্লগা চেলহনখি। রিফ্যুজি কুকিনা লান্দাবদগী থোকহনখিবনি। অহানবা থা ৩গী মনুংদা মীচম ১৫০ হাৎখি। হৌজিক্তি মী ১৮০মুক শুরে হায়না তাজে। লাইখুরুম্ফম ৩০০ হেন্না থুগাইখ্রে। খোইশাওনরবা শিবা কিদ্রবা মীয়াম্না নোংমৈ ৫০০০, মরূ লাখ ৬ হেন্না নমদুনা লৌরগা কুকি মিলিটেন্টশিংবু থেংনরি। হৌখিবা চহী মঙা অসিদা (বি জে পি লৈঙাক্কী মতমসিদা) Fifty Thousand acres কী চীংগী লমদা পোপি কলটিভেসন পাঙথোকখি। অদুগা খ্বাইদগী ঙক্লিংঙাই ওইরিবদি Gotangkot village মনাক্কী চীংদা স্কৱার কিলোমিটর ২৫০ শেংদোল্লগা গঞ্জা অমসুং পোপি প্লান্টেসন তৌখিবা অসিনি। মনাক নকপা খুঞ্জাশিংনা মৈনা লোইনমক থাদোকখ্রে। শুগুনু এরিয়াদা অসাম রাইফলসকা শুগুনু পুলিস ষ্টেসনদা থোকখিবা থৌদোক অদুসু য়াম্না ঙক্লিংঙাইনি। ময়ূম থাদোল্লগা লান চেল্লিবা, হিংনবগী পান্থৈ থিরিবা মীওই ৬০,০০০সি মণিপুরগী অপূনবা পোপ্যুলেসনগী চাদা ২নি। বি জে পিগী দবল ইঞ্জিন ফেল ওইরবনি। শেন্বীবা মপুনা পীবা চৈরাক শোয়দনা ফংলসনু।

হৌজিক ওইরিবা-থোক্লিবা থৌদোকশিংসি কংলৈপাক্তা অমুক্তা থোকখিদ্রিবনি। ৱর্ল্ড ৱার ২গী মতমদা ফাওবা মীয়াম্না অসুক য়াম্না ৰাখিদে। ঐখোয়সি ময়াং মচাশিংনা য়াম্না হন্থনা উরে। য়াম্না চাউথোক্লা হায়জগে - ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ইজরিবা ঐঙোন্দগী হিরম অমত্তদা করিসু হেন্দে। ফত্তবগী লৌশিংদদি ঐঙোন্দগী শোয়দনা হেনগনি। মরমদি ঐহাক পুন্সিদা অরানবা, চুমদবা, মীনম্বা, মীনুংশি লৈতবা থবক অমত্তা পাঙথোক্তে, কখোকপতনা ঐগী পুন্সিনি। খুরুমজরি কংলৈপাক্কী মীয়াম্বু। ●

# ঐদি তশেংনা খঙজদবনি

- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -

নোংমৈ কাপতৌবা থনানা নোংমৈ কোল্লগা উইদুনা লৈবদৈ ইঙ্খোল কোইদৌবা মীচম্না নোংমৈ মুনখিবসি নোংমৈ লাকপা কৌদে। মসিদি মীওইবগী লন-থুম অমদি পুন্সি কনবীবা কৌই। মচাগী স্কুল ফী থিনবা থবক শূরিবা মপাদুনা থনাদৈ নোংমৈ লাকখ্রবনিনা হৌজিক্তি থনাশিংনা চীংয়াগী লৌবুকশিংদা কুমদুনা লৌ উবীরো। কুকিশিংনা মীতৈ মীচমশিং হাৎপা হৌরকপদা নখোয়গী নোংমৈ ময়ামদু লৌমীশিংনা মুন্দ্রিঙৈদা য়াম লেম্না শিন্নরল্লবদি হৌজিক ফাওবা শোক্লরিবা লানসে নহান্না লোইরগদবনি। থনাশিংসু হান্না শাওবীগনু। নখোয়দৈ নোংমৈ লাকখিবদা লাল্লিবসি ইচা থনাশিং নখোয় নত্তে হায়বসি ঐখোয়সু খঙদবদি নত্তে। নখোয়গী হেক নমাংদা নমা কয়ানা নজাতিগী নচিন ননাওশিং, নচে নচনশিং কন্নবা পল্লেললোমদা চঙশিনবদা অসাম রাইফলসনা নমাশিংদা নোংমৈ কাপ্তুনা হাৎলকপগী হাইদোরকপা নোংমৈ মরূনা পাল্লক্তনবা নখোয় ময়াম পুল্লপ তাশিল্লগা পাকথদুনা নথৱায়দবু হিংলবদি হায়দুনা ৱানা খাঙজরিবনি। নখোয় নরান লৈতে। মরাল লৈরিবদি নখোয়বু থনা খলহনবীরক্লিবা নখোয়গী অহল লমনশিংদুনি। থনা ওইনীংদবা মচা ময়ামসিবু লৌ য়োনবৈ শেলনা থনা ওইহন্নীদো হায়দুনা ওইহল্লক্লিবা মমা-মপা ময়ামদুনা লৈঙাক্কী মাঙখিবা নোংমৈশিংদু শেল খায়নরগা মহুৎ লৈদুনা শীংবিখ্রো। মীচম মীয়াম্না পায়খিবা নোংমৈশিংদুদি মীয়ামগী পুন্সি খুদোংথীনীংঙাই ওইদ্রে খল্লকপা নুমিৎতুদা অদুম থিনজরক্কনি।

এম এল এশিংসু ইচাশিংদগী করিমত্তা হন্থদে। নখোয়বু নুংশিবা মীচম মীয়াম ঙাক্তনি। দেল্লীদা চৎতুনা ৱা ঙাঙগদবা নখোয়না রিলিফ কেম্পদা চৎতুনা অচাপোৎ য়েনবদা চাউথোকচরিবা নখোয়নি। ৱারেপ লৌগদৌবা নখোয়না ৱারেপ লৌবা কিজদুনা য়ুথস ওফ মণিপুরনা ৱারেপ



লৌরগা দেল্লীদা চৎলু হায়দুনা তাল্লিবা নখোয়বু নুংশিদবা য়ারিব্রা। করিগীসু নুংশিরোই - নখোয় এম এল এ ময়ামসিনা দেল্লীদা চৎল-চৎলগা মমায় মমিৎ মুশিন মু, নচিন নরৈ ইফোৎ ফোৎ, নমিৎনা কিরুপ কিরুপ, অমিট শাহনা লোক খূরকপদা নখোয় ময়াম খংপ্রেক খং, হায়গদবা ৱানা হায়হৌদা, হায়রোইদবা ৱানা হায়দোকখি, ঐখোয়গী লুচিংবনিকা হায়দুনা এরোপ্লেন তোংদুনা হল্লকপসিবু মীতৈ অমা ওইনা নুংশিদবরনে। পূম্নমকসিদা এম এল এশিংগী মরানদি লৈরমদ্রে। নখোয়দি ইকায়বা খঙদবখক্তা ওইরল্লে। মসিদনি নহান মখৈ নুংশিফম খঙলমদবা ইশাসিদা ইশানা ইশাবু নুংশিবা পোল্লক্লিবা। ইচা থনাশিংনা মথৱায় হিংজনবা হোৎনবগা নখোয় এম এল এশিংনা মশা কঞ্জনবা হোৎনবগা কয়াদা মান্নরিবনো। মান্নবনিনা পূন্না লৈমিন্নরি। মীচম মীয়াম্না থৱায় পাম্মুদনা ইরমদম মণিপুর কন্নবা হোৎনরি।

নুংশিজবগী পংহায় হায়জবনি। ইচা থনাশিংসু চাফম থকফম খঙদবমখৈ নথৌ তৌজরি। অহিং নুংথিল খাক্তনা কোইচেন চেল্লি। কুকিশিংনা মীতৈ হাৎলকপা লেপখিনবা ইম্ফালদা টিয়র গ্যাস মশীং থিঙমদনা কাপ্লি। কুকিশিংনা মীতৈগী য়ূম মৈ থারক্তনবা ঐখোয়গী ইম্ফাল ৱেষ্টকী থনা অচৌবা অমনা ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎ ৱাহেংবম লৈকায় লোইনমক য়ূম মৈ থানি হায়খ্রে। মোরেদা মথৌ তৌবা চঙশিনবা ইচা পুলিসশিং তেংনৌপলদা থিংবা কুকি নুপীশিংদা কাপ্লবা পুবদা কাপহৌদবা ময়ামদু ইম্ফালগী অকোয়বদা ৱাকৎ মীফম ফম্বী ইমাশিংদা নোং চুবগুম কাপখাইদুনা মণিপুর অসি লৈঙাক অমা লৈরি হায়বা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টদা উৎনবা হোৎনরি। ঐখোয়দি করিমতা খঙজদবনিনা ঐখোয়গী লৈঙাক্লা ঐখোয়বু কনবীগনি হায়বসু থাজদ্রে। ঐখোয়গী থনানা ঐখোয়বু ঙাকপীগনি হায়বসু থাজদ্রে। থাজরমদবদগী থাজরকপদুনি ঙাইজরিবা। মীচম ঐখোয়দি ভোটসু কাহৌদবনিনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসননা য়াবা থনাগী মমাঙদা কুকিনা হাৎলগা শিখিদৌ শরুক লৈঙাক্কী থনা নত্তবা ইচাশিংনা নোংমৈ পায়রগা থৱায় কনবীবসিনা হেন্না পামজৈ। মীওইবগী পুন্সি অমদি লন থুম ঙাকপা হায়বসি লৈঙাক অমগী মথৌনি হায়রগা ইচাশিংনা ওইনা পাঙথোরকপসিদা ইকায়জরবনে। থাদি থাজখিদ্রেদা। লম্বীদা মীনা থীনা তৌরল্লগা ইমুংদা অকনবা শাবসিবু করি কৌবগে? মীথিবোং হায়নব্রা। অতৈদি তশেংনা খঙজদে। ●

# উতাংবীনা উরু ওইনীংলক্লবদা

- ডা. সোইবম হরিদাস -

নৌনা পাখঙ ফাগৎলকপা, মপাঙ্গল খরা কনখৎলকপা মতমদা উরু উরুবা য়েংলুবা খুদিংমক ঙমগনিতা খঞ্জবগুম পোপি থারম্বা লম একর লিশীং ১৮ মুক মাঙ তাকহনখিবগী অশাওবনা ফাথবা ঙমদ্রদুনা লৈজবা মচিল মনাও মরী মতা খরা মপান্দগী পুশিল্লক্লগা থিঙেলদা তাইনবা ঙমদ্রগা নাসিখোংদা তাইনবগুম চহী লিশীং ৩ মমাঙদগী মশাগী ঙমখৈ ঙাক্তুনা লৈজরিবা মীতৈদা কল্লি মতাগুম তেমশিন্নরক্লিবসিবু মঙদা মঙ্গ্রা তাল্লগা তাইবঙদা চাবা য়াদবগুম ওইনা থোক্লোইদ্রা? ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইদা পাদবা, শেমজিন শাজিনবা খরা শীজিন্নদুনা চিরোন তৌরগা মীচং খোল্লিবা, মীচং ফংগনি খল্লিবদু মৈবু ফীনা কুপ্তুনা থম্ববু কয়াম কুইনা থম্বা য়াগনি হায়বসি অশাওবনা মাঙওইনখিবনা খন্থবগী পাঙ্গল লৈত্রব্রা? খন্থবা ঙমদবা নখোয়দি করিগী মৈ চুরুরিবনো?

ইকুই কুইদ্রিবা ঙরাংতা ওইখিবা ফোং ফোং শারিবা মীপূম খুদিংনা খঙনরমদ্রবসু হৌজিক্তি লোইনা খঙনরবা, অতোপ্পা লৈবাক্কী লৈঙাক্লোন পায়গে থৌরাং তৌরম্বা অমনা মরোই মনাওশিং খোঙলোই খরা খরা ওইনা লেপ্তুনা পুশিল্লক্লবা মরী মতাগী ময়ূমদা শৈদাংলগা মীগী লম্বু দখোন (খোপচিল্লগা) মখোয়গী হৌরকফমনি হায়রক্লিবসি চহী চা কয়াগী পুৱারী য়েংলগনো? মসিনা অতুম্বা নোংশাবু হৌদোকপীরে, মমিৎ পাংথোক্তুনা য়েংবা হৌরক্লে। চাওখৎপগী থাক্তা য়েংলবদি মীতৈ হায়বা কাঙলূপসি পৃথিবীগী চাওখৎলবা কাঙলূপশিংগা লমজেল চেনমিন্নরি। খুদম ওইনা ইন্দিয়ানা মশাগী কন্সটিট্যুসন লৈত্রিঙৈদা মণিপুর মশাগী ওইবা কন্সটিট্যুসন লৈজবা লৈবাকনি। চহী লিশীং অহুম মমাঙদগী মণিপুরী ইতিহাস অইবা ওইনা লৈরিবনি।

মণিপুরী লোল ইন্দিয়াগী ৮শুবা সেদ্যুলদা য়াওরি। মখোয়না খঙগদবদি মণিপুর অসি বৃটিশনা নীংখা তম্বা পীরম্বা কান্দা ইন্দিয়াদগী নোংমা হান্না পীখিবনি, মসিগী ৰাহন্থোক কুকিশিংনা মুন্না খন্থফম থোকই। মণিপুরী জগোয়, শগোল কাংজৈ- পোলো, ইন্দিজিনস গেম 'কাং' পৃথিবীগী মফম অমত্তদা শানবা লৈতে, মণিপুরদগী মীতৈনা হৌদোকখিবা ঙাক্তনি।

হিন্দু লাইনীংগী লম্দা মালেমদা মমিং চৎলিবা শ্রীপদা দামোদর স্বামী, দ্রামাগী লম্দা ইন্দিয়াবু মালেমদা মশক তাক্লিবা প্লেরাইট এন্দ থিএটর দাইরেক্টর রতন থিয়াম মণিপুরগী মীতৈ মচানি। মসিতসু নত্তনা শানবগী লমদাংদা মণিপুরগী য়েলহৌমী মচা কয়ানা ইন্দিয়াবু মালেমগী মীয়ামদা মশক তাক্লি।

হৌজিক্কী মতমদা মীতৈনা খল্লিবসি 'পৃথিবীগী ৰাংমদা করম্বা গ্রহদা চৎলগা খুন্দাবা য়াগদগে অমসুং মীতৈগী ওইনা লৈঙাক অমা শেমগে' হায়বসিনি। অসিগুম্লবা চাওখৎলবা কাঙলূপ অসিদা মশা মতোম-মতোমতা লেপ্পা ঙমগদবা ফূরুপ খরনা পুনশিল্লগা শেম্বা কুকি কৌবা কাঙলূপসিনা খৎনবা হৌরক্লি।

পৃথিবীগী ৰাংমদা চৎতুনা খুন্দানবা খল্লিঙৈসিদা কুকি কৌবা কাঙলূপসিনা মণিপুরগী লম খরা খোপচিল্লগা মখোয়গী ওইবা ষ্টেট অমা শেমগে হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিল্লি। মসিদি ইকায়বা খঙদবা মীগী ৰাফমনি। মীতৈ ইপা ইপুশিংনা মথায় থায়না খনখিবা ৰাখলদু হৌজিক্তা কুকিনা খল্লকই।

ঙসিদগী চাউরাক্লা চহী ১৮০/১৯০ (কুমজা ১৮৪০) অদুৱাইদগী কুকিশিং মণিপুরদা লাকপা হৌখি। ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংলবা মতুংদা মখোয়সি সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা থমদুনা খুদোংচাবা কয়া পীবিদুনা, মহৈ মশীং তমহন্দুনা মমিৎ মমায় পাংখি। মালেমদা মখোয়গীনি হায়বা লমগী ঙমখৈ অমা লৈতবনা, ইকায়বা অমসুং পেন্দবা কয়া থোল্লকপদগী মালেমগী মফম মফমদা কুকিলেন্দ তানবা হৌরকখি। বাংলাদেশ অমসুং ম্যান্মারদা কুকিলেন্দ তানবদা মায়থীদুনা তোক্লে। মখোয়না খল্লম্বা য়াই 'ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মখোয়বু য়াম্না লুনা তৌই, খুদোংচাবা কয়া পী, লাইরিক লাইশু তম্বদা ষ্টাইপেন্দ পীবদা নত্তনা 'সূ' দা লৈবা মিলিটেন্ট ফাওবা ষ্টাইপেন্দ পীদুনা থল্লি। ইকুই কুইদনা ম্যান্মারদগী লাকখিবা মখোয়বু চঙজফম পীবতা নত্তনা ইন্দিয়াগী সিটিজেন ওইবা ফংলি। চহী লিশাং শিৎনা চত্থরকপা পোপী থাবদসু অথিংবা লৈতে, দ্রগ লল্লোনবদসু অপনবা লৈতে'' মরম খরসিদগী কুকিশিংনা মখোয়গী ওইবা হোমলেন্দ তানবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা য়াবিরক্কনি হায়বা চেৎনা থাজরি।

কুকিনা মখোয়গী হোমলেন্দ তানবসি মতম কুইরে। মতৌ করম তৌরগা ফংগদগে হায়বদু পুথোকপা ঙমখিদবনি। মখোয়না অসুম্না খল্লম্বা য়াই ইথনিক ক্লিনসিং থোকহল্লবদি কুকি হোমলেন্দগী মঙলানসি মঙফাওনগনি'।

চীফ মিনিষ্টর বিরেনগী মতমসিদা পোপি থাবা অমসুং দ্রগ লল্লোনবদা অথিংবা পীরুবদগী মখোয় শাথীনা পেনখিদে। তৌফম খঙদবদগী মীতৈশিংনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ তৌবদা তাইশিন্দুনা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দা চুড়াচান্দপুর অমসুং মোরেদা মীতৈশিং ওৎ নৈদুনা, য়ূম মৈ থাদুনা তাম্থোল্লকখি। মখোয়গী থৌওং মতুংইন্না মীতৈনসু তম্পাক্তা চপ মান্নবা মওংদা থৌওং কয়া চত্থবা হৌখি।

মে ৩গী নুংথিলদগী চুড়াচান্দপুরদা লানগী মৈ চাকপা হৌখি। হংবা য়াবা ৱাহংদি, চুড়াচান্দপুর ইম্ফালদগী কয়াম লাপ্পা মফমনো? চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরনি, লো এন্দ ওর্দর কদায়দা লৈখিবগে? ষ্টেট ফোর্সনা কদোমদা? ইন্টলিজেন্ট দিপার্টমেন্ট কদাইদা? চুড়াচান্দপুরগা ইম্ফালগা লৈঙাক্কী ওইবা পাউ ফাওনদব্রা? চুড়াচান্দপুরদা কুকিশিংনা মীতৈগী য়ূম মৈ থারে অমসুং মীতৈ নুপীশিংদা ওৎ নৈরে হায়বগী পাউদি খুদক্তা ভাইরেল ওইরকখি। ষ্টেট লৈঙাক্লা মতম চানা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলম্লবদি অসুক চাউনা ঈরাং থোক্লম্লোই।

কুকি খুদিংমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে খঙলবা মতুংদা কুকি এম এল এ ১০না দেল্লীদা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন দিমান্দ তৌখি। মসিনা তাকপদি থোক্লিবা থৌদোকসি মখোয়না মতম কুইনদগী খন্দুনা লৈরকপা থৌইনশিন্নি। মখোয় হৌজিক এস টি দিমান্দগী মায়োক্তা ঙাঙখিদ্রে। মখোয়গী ৰাকৎতি, মখোয়বু মীতৈনা য়াম্না ওৎ নৈবিরে, মীতৈগা পূন্না লৈবা ঙল্লরোই। মরম অদুনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন অমা পীয়ু হায়দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিল্লি।

মীতৈ অমসুং নাগাগী মরক্তা উংখৎনবা কয়া লৈরম্লগসু ঈগী মরী লৈবনিনা ইচিল ইনাওনি, খূৎ থোক্লবা য়াদে খন্দুনা শাওনীংলবসু মায়কৈ অনীমক্তগী ফাথনৈ। কুকিদি মণিপুর ইমাগী চাওপোকনিনা ঈগী মরী লৈতবনিনা য়েলহৌমীগা পূন্না লৈমিন্নবা ঙল্লোই হায়দুনা চোংদুনা লৈরি।

কুকিদি মণিপুরদা শৈদাংবনি। মসিগীসু মথক্তা লম খোপচিনবা কাঙলূপনি। মখোয়না হৌজিক তৌরিবসি লম খোপচিনবনি। নীংশিংবা য়াই, মখোয়গী মপা-মপুশিংদো লৈফম লৈতদুনা লৈবদা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংদুনা শক-চু মান্নৈ নুংঙাইতে হায়দুনা মণিপুরদা লৈহনখিবনি।

মণিপুর ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈবা ষ্টেট অমনি, সোভরেন্ট কন্ত্রি অমা নত্তে, অদুবু মশাগী ওইবা পুৱারী, সংস্কৃতি, লোল লৈজবনা মণিপুরী হায়না মালেম্না খঙনরি। নখোয়সু মণিপুর ইমাগী মশাইগোন্দা ঈংনা তপ্না লৈমিন্নদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তগী লৌবা য়াবা মতেং লৌমিন্নদুনা নখোয়গী শক্তমদো মালেমদা মশক তাক্লবা হোৎনমিন্নসি। মতম চূপ্পদা নীংশিংগদবদি 'য়েলহৌমীগা তেমশিংনরবদি খুদি থিদুনা তোক্লি। মখোঙ য়াওদবা ফিরালনা মতম কুইনা পাইবা য়ারোই'। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।